# ষ্টেট এসেমব্লিনা মণিপুরদা আইএলপি সিষ্টেম চৎনহন্নবগী ৱারেপ সেন্টরনা রিজেক্ট তৌখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, জুলাই ১৬ঃ*** বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার রিগুলেসন্স, ১৮৭৩ গী মখাদা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট(আইএলপি) সিষ্টেম চৎনহন্নবা মণিপুর গভর্নমেন্টনা
সেন্টরদা তকশিনখিবদু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীরক্ত্রে হায়না পাউগী সোর্স অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউগী সোর্স অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, মণিপুর মীয়ামগী অপনবা ঈহৌগী ফলনা ষ্টেট এসেমব্লিনা ষ্টেটসিদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহন্নবা ৱারেপ লৌদুনা মদুবু থবক ওইনা পাঙথোক্লবা সেন্টরদা তকশিনখ্রবসু মদুগী ওন্ন-তৈনবদা সেন্টরনা ও ইবোবী সিংহনা লুচিংবা গভর্নমেন্টকী মফমদা ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা মীতোপ চংশিল্লকপগী ক্রাইসিস অসি লাকশিন্নবা অমসুং হাজাম, মিষ্ট্রি অমসুং নোংমগী খুৎশুমল তান্দুনা তোঙান তোঙানবা শিনফমদা হিংলিবা নন-মণিপুরীশিংবু ঙাকপী শেনবীনবা অকনবা থবক লৌখৎনবা খঙহল্লক্লে হায়রি।

বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগুলেসন্স, ১৮৭৩ গী মখাদা চৎনরিবা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম অসি মিজোরাম, নাগালেন্দ অমসুং অরুনাচল প্রদেশ হায়রিবা অৱাং নোংপোক লমদমগী ষ্টেটশিং অসিদদি মতম কয়াগী মমাংদগী চৎনদুনা লৈরি। আইএলপিগী সিষ্টেম অসিনা ষ্টেট অহুম অসিদা লৈরিবা ইথনিক ত্রাইবশিংগী অকক্লবা শক্তম অদু ঙাক শেন্দুনা থম্বতা নত্তনা মখোয়গী কলচর অমসুং ত্রেদিসনশিং অদুবুসু য়োকখৎতুনা থম্বদা অচৌবা মচাক অমা ওইরিবনি।

মণিপুর অসি তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা ষ্টেট অমা ওইবনা আইএলপি চৎনহন্নবা ৱাফম অসিবু কৈদৌনুংদসু খন্নবা তৌদনা লাকখি হায়রি।

অৱাং-নোংপোক লমদমগী ষ্টেট গভর্নমেন্ট খরনদি আইএলপি সিষ্টেম অসিনা টুরিজমগী মায়কৈদা চাওনা অপনবা থোকহল্লি হায়বা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লরি। মেঘালয়া গভর্নমেন্টনা আইএলপি অসিবু চৎনহনবদা য়াদ্রি। অদুবু মপানদগী চংশিল্লকপা মীতোপশিংগী মফমদা ৱার্ক পার্মিট অমসুং ত্রেদকী লাইসেন্স পীবগী অকনবা থবক অমদি পায়খৎলি।

মণিপুর গভর্নমেন্টনসু ষ্টেটসিদা বঙ্গলাদেসি অমসুং ম্যান্মারিজ নেসনেলশিং চংশিল্লকপা থিংনবগীদমক্তা আইএলপি সিষ্টেম অসি চৎনহন্নবা রিকম্মেন্দ তৌখি।

চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবী সিংহনা মণিপুরদা ম্যান্মারিজ সিটিজনশিং অমসুং বঙ্গলাদেসিগী মীওই চংলকপা নীংথিনা থিংবা ঙম্ন বগীদমক্তা খোঙথাং কয়া পায়খৎলগনি হায়না লাওথোকখিবগী ৱাফম লৈখি। অদুবু মহাক্কী গভর্নমেন্ট অসিনা অশেংবা ইন্দিয়াগী সিটিজনশিংবুদি ষ্টেট অসিদা চংহন্দবা ঙম্লোইদৌরি হায়না রিপোর্ট অসিনা হায়রি।

মরকসিদা লাক্কদৌরিবা নভেম্বর ১৮ ফাওবগী মনুংদা সরকারনা আইএলপি চৎনহন্দ্রবদি জিসি আইএলপি সিষ্টেম চৎনহনগনি হায়বগী ৱাফম অহোংবা লৈতে হায়না জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, চহী লিশিং অনি হেন্না সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা মনিং মখা তম্না পান্নরম্বা মণিপুর ১৯৪৯ গী ওক্টোবর ১৫ দা ভারত্তা তিনখ্রবা মতুং ইরমদমগী খুন্নাইলোন, শেন্মীৎলোন, লৈঙাক্লোন অমসুং খুন্নাই অসিগী ফুরুপশিং তপ্না তপ্না মমি শামলক্লি। মসিমক্লা মীয়াম্না মণিপুরদা আইএলপি সিষ্টেম চৎহন্নবা ঈহৌ হৌরকখিবনি। অদুম ওইনমক ষ্টেট এসেমব্লিনা আইএলপি চৎনহন্নবা ৱারেপ লৌখিবা অদুনা অরোয়বা নত্তে হায়বসি জোইন্ট কম্মিটিনা য়াম্না মুন্না খঙই।

ঙসি ঙসিমক এসেমব্লিনা লৌরকপা ৱারেপ্তা মীয়াম্না চমন্নবা কয়া থোক্তুনা হংলক্লিবা ৱাফমশিং শেংদোকপা অমসুং অচুম্বা অদু মচা খায়না মীয়ামদা য়ৌহনবগা লোয়ননা ৱাখল তামিন্নবা চংই। মরকসিদা মণিপুরদা বেজ তৌবা খুৎলায় পায়বা লালহৌলুপ অমনা ষ্টেট এসেমব্লিনা লৌখিবা ৱারেপ অদু পেন্থোক্তুনা তুমিন্না লোয়শিনখিবগী ৱাফম থম্লকপসি লাইবক থিবনি। মণিপুর মীয়ামগা কম্মিটি অসিনা মুখরক্লিবা, মুৎখিগদ্রা হায়বগী নুংনাংবা পোক্তুনা খুন্নাই অসিবু কন্নবা হোৎনজবনি। মসিদা নীংতম্বা তাল্লিবা লালহৌলুপ অমনা আইএলপি চৎনররোইদ্রা হায়বগী নুংনাংবা ফোঙদোরকপা অসিমক্তি সিএসওনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিদা লান্না উহন্নবগী মচাক অমা ওইনা লৌই। অসিগুম্বা চয়েৎনবা মানবা থৌওংশিং অসি মতুং থোকহনবীদনবা কম্মিটিগী মায়কৈদগী থম্নি হায়রি। অরোয়বদা চেরোল অসিনা হায়রিবনা, বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার রিগুলেসন ১৮৭৩ অসি মণিপুরদা এক্সটেন্সন তৌবসি নাখৈ শেংনা চৎনহন্দুনা থম্মনবা জুলাই ২২গী অয়ুক পুং ৮ তাবদা মণিপুরগী অখণ্ড-অহৈ অমদি লোয়রশিংগী অপুনবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।